CAREERINDIA



## Part – IV / ভাগ – IV
## Language – I / ভাষা – I
## MANIPURI / মণিপুরী

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি পার্ট-IV গী ৱাহং (91-120) ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু। ৱাহং (91-99)**

ভারত নীংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা ভারতকী নুপীশিংসু থৌনাফনা চোংথোক্তুনা য়াওখি। থৌনাফবী ভারত চনুরাশিংদুগী মনুংদা সরোজিনী নাইডু অমনি। মহাক্না ভারতকী নীংতম্বা ফংননবা হোৎনবদা নত্তনা নুপা নুপী অনীমক থাক মান্ননা হিংমিন্ননবসু হোৎনখি।

ভারতনা মীখা পোন্দুনা লৈবগী অৱাবা ফিভম উৰবদা সরোজিনি নাইডুগী থম্মোয়দা পেন্দবা নুংঙাইতবনা পীক থনখি। ভারতপু বৃটিশকী মখূত্তগী নীংতমহন্নবা হোৎনগে হায়না চপয়ুংনা নীংখি। লৈবাক্কী অমসুং প্রজাগী থবক তৌবদা নুপা নুপী খায়বা হৌনদে হায়না খনখি। মরম অসিনা ভারতকী লুচিংবা মহাত্মা গান্ধীগী মতুং ইন্দুনা নীংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা শৰুক য়াখি। মসিগীদমক বৃটিশ সরকারনা মহাকপু ফাদুনা মশীং খঙদনা জেলদা থমখি।

ভারতনা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা মহাকপু উত্তর প্রদেশকী গভর্নর ওইহনখি। ভারতকী নুপীনা গভর্নর ওইবা মহাক্না অহানবনি।

সরোজিনী নাইডুনা ভারতকী নুপা নুপী অনীমক থাক মান্নরবা মতমদা চাওখৎপা ঙমগনি হায়বা খঙখি। মহাক্না নুপীশিংবু মহৈ-মশিং তমহন্নবা থৌরাং তৌখি। নুপিমচাশিংগী স্কুল অমসুং কলেজ লিংখৎখি। মখোয়না স্কুল অমসুং কলেজদা মহৈ তম্বদা মহাক্না পূক্নীং থৌগৎপিখি। মহাক্না মতম পূম্নমক্তা ভারতকী নুপীশিংদা হায়খি - "লৈবাক্কী থবক তৌবদা নুপাগা নুপীগা চপ মান্নে। নুপীনা মশা মথন্তবু হন্থনা খঞ্জরোইদবনি।"

ভারতকী নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বী সরোজিনী নাইডু খৃষ্টাব্দ ১৮৭৯ গী ফেব্রুৱারী তাং ১৩ দা পোকখি। মহাক্কী পোকফমনা অন্ধ্র প্রদেশকী কোনুং হায়দ্রবাদ হায়বা মফমদুনি। মহাক্কী অপোকপগী মিং অমোরনাথ চট্টোপধ্যয় কৌই, অপোকপীগী মিংনা বরদা সুন্দরী কৌই। বরদা সুন্দরী ঈং তঙ্গী, পুকচেল চাউবী নুপীনি।

সরোজিনী নাইডু অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লাইরিক-লাইশু তম্বদা থৱায় য়াম্না য়াওরকই। তন্নিবা মহৈ নীংথীনা হৈননবা অমসুং মপূংফাবা জ্ঞান ফংননবা পূক্নীং চঙনা হোৎনরকখিবী নুপীনি। মহৈ তন্নিঙৈদা মতম অরেম্বদা মাঙহনখিদে। হোৎনবা কনবী সরোজিনী নাইডু, মশাগী চহী ১২ তা ঙায়রিঙৈদা মেত্রিক পাস তৌখি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA



91. ভারতনা নীং তম্বা ফংলবা মতুংদা সরোজিনী নাইডুনা অহানবা নুপী গভর্নর ওইখিবদু করম্বা লমগীনো ?

(1) বিহার

(2) অন্ধ্র প্রদেশ

(3) আসাম

(4) উত্তর প্রদেশ

92. সরোজিনী নাইডুনা ভারত অসি করম্বা মতমদা চাওখৎপা ঙমগনি হায়বসী থাজবা থমখি।

(1) নুপা নুপী থাক মান্নরবা মতমদা।

(2) নুপীনা লৈবাক ঙাকপগী থৌদাং লৌরবা মতমদা।

(3) নুপীশিংবু লাইরিক লাইশু মপুং ফানা ফংহল্লবা মতমদা।

(4) নুপীনা চাকখুমদগী মপান থোরক্লবা মতমদা।

93. সরোজিনী নাইডুনা ভারতকী নুপীশিংগীদমক করি করি তৌখিবগে ?

(1) খোল্লাও কয়া লাওখি।

(2) নুপাশিংগী মহৈয়োক্তা লেপখি।

(3) স্কুল কলেজ কয়া লীংখৎখি।

(4) করি অমত্তা তৌখিদে।

94. সরোজিনী নাইডু খ্রষ্টাব্দ কয়াদা পোকখিবগে ?

(1) ১৮৭৯

(2) ১৭৮৯

(3) ১৮৯৭

(4) ১৮৭০

95. সরোজিনী নাইডু মশাগী চহী কয়া শুবদা মেত্রিক থাখিবগে ?

(1) চহী মাপন

(2) চহী তরা

(3) চহী তরামাথৌই

(4) চহী তরানিথৌই

96. সরোজিনী নাইডুগী অপোকপী মমাগী মমিং করী কৌই ?

(1) মালবীকা সুন্দরী

(2) বরদা সুন্দরী

(3) বসুন্ধরী সুন্দরী

(4) জয়ন্তী সুন্দরী

www.careerindia.com

CAREERINDIA



97. 'অমোরনাথ চট্টোপধ্যায়' পুন্না সিলেবল কয়ানা শাবগে ?

(1) মঙা

(2) তৰুক

(3) তরেৎ

(4) নীপাল

98. ভারতকী নিংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা ভারতকী নুপীশিংনা করি থৌদাং লৌখিবগে ?

(1) মপান থোকনখিদে।

(2) থৌনা ফনা চোংথোক্তুনা য়াওখি।

(3) নুপাশিংদা থৌনা পীখি।

(4) ভারতকী লাম্মীশিংবু পেলহনখি।

99. ভারতকী নিংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা সরোজিনী নাইডুনা ভারতকী লুচিংবা কনাগী মতুং ইনখিবগে ?

(1) জৱাহরলাল নেহৰু

(2) নেতাজী সুবাসচন্দ্র বোস

(3) মহাত্মা গান্ধী

(4) ইন্দিরা গান্ধী

মখাদা পীরিবা শৈরেং অসি মুন্না পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু। ৱাহং (100-105)

বসন্তগী অহিংদা

লুপা মহীনা লাকপগুম লংলবা থাবন্দা

খাদগী লাকপা নুংশিৎনা লিরিনা হুন্বদা

তাইবঙ মীরাওখোল তাদ্রবা চীক্লবা মতমদা

মহৌশাগী শৈশক্লা নঙগী নগুন থারকপা

নহাকপু কদায়দনো ?

ওলাংথাগী অয়ুক্তা

মালেম লাইজ ঈপোম্না অহিং চুপ্পা চামখিবা

লৈনা শয়োম মরক্তা লোন্ন কিনা লোৎলিবা

মালং ঈহুল ফংবদা তনিক তনিক হাইরিবা।

100. লুপা মহীনা লাকপগুম লংলবা থাবল অসি

(1) নাকেন্থাগী অহিংদা থোকপা থাবলনি।

(2) শরৎ ঋতুগী অহিংদা থোকপা থাবলনি।

(3) বসন্ত ঋতুগী অহিংদা থোকপা থাবলনি।

(4) ওলাংথাগী অহিংদা থোকপা থাবলনি।

101. পীরিবা শৈরেং অসিদা য়াওরিবা 'নঙ' হায়রিবসি কনানো ?

(1) মহৌশা লাইরেম্বীবুনি।

(2) তাইবঙ শেম্বা মপুনি।

(3) মালেম অসিবুনি।

(4) বসন্ত ঋতুবুনি।

CAREERINDIA



102. "মালেম লাইজ ঈপোমনা অহিং চুপ্পা চামখিবা" শৈরেংগী পরেং অসিদা য়াওরিবা ভাব অসি খন্দোকউ ?

(1) মালেম

(2) লাইজ ঈপোম

(3) অহিং চুপ্পা

(4) চামখিবা

103. "ওলাংথাগী অয়ুক্তা

মালেম লাইজ ঈপোম্না অহিং চুপ্পা চামখিবা।

শৈরেংগী পরেং অনিসীদা য়াওরিবা লাইজ ঈপোম্না" হায়বা ৱাহৈশিনা করিবু ফোঙদোকপগে ?

(1) নোংলৈ নুংশিৎনি।

(2) অহীং লীক্লানি।

(3) ঈশিং চাওখৎলকপনি।

(4) ঈশিংগী ঈথক ঈপোমনি।

104. 'মালং ঈহুল ফংবদা'

শৈরেংগী পরেং অসি মাত্রা কয়ানা শাবগে ?

(1) মঙা না শাই ।

(2) তরুক না শাই।

(3) তরেৎ না শাই।

(4) নিপান না শাই।

105. নুংশিৎনা লিরিনা হুল্লকইবসি কদোমদগী লাকপা নুংশিৎনো ?

(1) মনিংলোমদগী হুমলকপা নুংশিৎনি।

(2) মৈরমদগী হুমলকপা নুংশিৎনি।

(3) খারোমদগী লাকপা নুংশিৎনি।

(4) অৱাংলোমদগী লাকপা নুংশিৎনি।

মখাদা পিরিবা ৱাহংশিংসিগী খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুমদু খল্লগা পিয়ু।

106. মখাগী শিংসিগী গ্রামার তম্বীবদা হেন্না কান্নবা ফংহনবগে ?

(1) গ্রামরগী পথাপশিং খুদম পিদুনা তাকপা

(2) লাইরিক হন্দোকপা মতমদা গ্রামারগী পথাপ তম্বীবা

(3) অকরুবা গ্রামরগী লাইরিক্তগী গ্রামার তম্বীবা

(4) য়াওফমদগী (context) গ্রামারগী পথাপ খংনবা হোৎনবা

107. সোসিল ইন্তরেকসগী ৱাখললোনগা মরি লৈনরিবসি -

(1) পাণিনি।

(2) স্কীনরনি।

(3) ভিগোটসকীনি।

(4) কোহলবর্গনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA



108. মখাগী শিংসিদগী করম্বনা অঙাংশিংনা লোন তম্বদা মতেং ওইবগে ?

(1) অঙাংশিংবু য়াম্না ঙাংহন্দবা য়ুমগী মত্তং-মতৌ

(2) য়ুম অমগি মসিগী অকোইবদা অহনশিংনা ঙাংবা তাবা

(3) অঙাংশিংবু অচুম্বা ৱাহৈপরেংশিং / ঙাংলিবশিংদু হনজিন্না হায়য়ু হায়বা

(4) অতোপ্পা অঙাংশিংগা শান্নবা

109. অঙাংশিংনা মাগী অকোইবদগী মহৌশানা লোন ঙাংলকপসি

(1) মতম অমদা লোন অমমমখক ঙাংই।

(2) মাগী অকোইবদা লোন ময়াম ঙাংলবদি, লোন অমদগী হেন্না ঙাংই।

(3) ইলেকত্রোনিক অমসুং প্রিন্ত মিদিয়াদগী ঙাংই।

(4) লোন্দুগী গ্রামারগী কয়াৎ খংই।

110. মখাগী শিংসিদগী লাইরিক (text) অমা পাবদা খ্বাইদগী মরু ওইবসি করম্বনো ?

(1) লাইরিক্কুগী ৱাহৈখুদিং পাবা

(2) খোনথোক্তা ৱাখল থাদবা

(3) ইরিবা লাইরিক্কুগী ৱাহন্থোক ফংনবা হোৎনবা

(4) অচুম্বা খোম্থোক্না লোইননা লাউনা পাবা।

111. মখাগীশিংসিদগী করম্বনা লোন তম্বীবগী পান্দমদা য়াওদবগে ?

(1) খংলগা ফজনা পাবা ঙম্বা

(2) ৱাখল থাদরগা ৱাখল্লোনা ফোংদোক্নবা হোৎনবা

(3) মখোয়না তাবশিংদু খংবা ঙম্বা

(4) ফজনা ইবা হৈরকপা

112. খোনথোক্কী খংবসি

(1) তাবগী হৈশিংবগা মরি য়াম্না লৈনৈ।

(2) ঙাংবগী হৈশিংবগা মরি য়াম্না লৈনৈ।

(3) পাবগী হৈশিংবগা মরি য়াম্না লৈনৈ।

(4) ইবগী হৈশিংবগা মরি য়াম্না লৈনৈ।

113. অঙাংশিংগী মহৌশানা মশাগী পিথোরকপা লোন ________ হৈশিংবা লৈ হায়না নোম চোমসকীনা থাজে।

(1) তম্বগী (acquisition)

(2) মতৌ তম্বগী

(3) অমদগী অমদা হোংদোকপগী

(4) হন্দোকপগী

114. লোনগী হৈশিংবা তম্বীবসি

(1) মতৌ তম্নগা তম্বীবনি।

(2) তোঙান্না তম্বীবনি।

(3) মমুৎতানা তাক্লগা তম্বীবনি।

(4) পুনশিনলগা (integrated manner) তম্বীবনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA



115. ওজা অমনা লাইরিক তম্বা হৌবদা ঙাইরিবা অঙাংশিংদা লাই য়েক্লুগা মচু শংউ হায়। মহাক্না তৌরিবসি

(1) অঙাংশিংদা ক্লাসতা তুমিন্না লৈনবনি।

(2) অঙাংশিংগী মখুৎ মশা লেংওৎপা হেনগৎহনবনি।

(3) য়েকপা খোৎপা হৈগৎলকলিবা অঙাংশিংগী ৱাখল চাওখোকপা হাপ্পিবনি।

(4) ইচম-চমনা অঙাংশিংদু থবক অমা তৌহলগা থম্বনি।

116. ঙাংবগী হৈশিংবা হেনগৎহনবদা মখাগী শিংসিদগী করম্বনা খ্বাইদগী মতেং ওইবগে ?

(1) মথন্তা অমদি পুন্না শৈরেংশিং থিবনি।

(2) শকতম লাংদুনা শান্নবদা য়াওবনি।

(3) ওজানা পারবা মতুংগা ময়ামগা পুন্না পামিন্নবনি।

(4) ওজানা পারবা মতুংদা ময়ামগী পুন্না অচুম্বা খোনথোক ঔরাইবনি।

117. ক্লাস III গী ওজা অমনা মহৈরোইশিংদা ৱারি অমগী মথং মনাওদু লাইরিক্কী পন্দুপতা (chapter) য়াওবগা মান্নবা ইথোকউ হায়। মসিগী মতম্বীসিনা মতেং ওইগদৌরিবসি

(1) পাবদা খংনবনি

(2) মচাকশিংদু খংনবা মতেংনি।

(3) মখোয়গী ইবগী হৈশিংবা হেনগৎহনবনি।

(4) মহৈরোইশিংনা ৱা ঙাংনবগী মতম য়াম্না হেনগৎহনবনি।

118. ক্লাস টুগী ওজা অমনা ক্লাসরুমদা লৈরিবা পোৎশিংগী মমিংশিংথাই মসিগী মতম্বীসিনা তশেংনা উরিবা পোত্তুগা ইরিবদুগগী মরি মহৈরোইশিংদা খংহনবদা মতেং পাংই। মসিগী মতম্বীসিনা মহৈরোইশিংদা খংহনবদা মতেং পাংশিবসি

(1) গ্রামারনি

(2) ইবগী হৈশিংবদনি

(3) ৱাহৈগী পুক্কৈদনি

(4) খুৎই ফজবদনি

119. অঙাংগী লোন খংবগী চাংয়েংদা করম্বনা মখাগী শিংসিদগী হেন্না কান্নবা ফংহনদবগে ?

(1) ৱারি লিবা

(2) ৱারি ইবা

(3) থৌদোক অমগী মতাংদা হায়বা

(4) চিনহায় হায়বা (dictation)

120. মখাগী শিংসিদগী করম্বনা অঙাংশিংগী লোন হৈনহনবদা খ্বাইদগী মতেং ওইবগে ?

(1) নংগী খ্বাইদগী পামজবা লাইরিকশিং হায়য়ু হায়বা

(2) 'হেন্না পাম্বা' হায়বা ৱাহৈশি হাপ্লগা ৱাহৈপরেং অমা শেম্মু হায়বা

(3) নংগা নংগী ইমাগা শান্নবা ৱারি ৱাতাই অমা ইয়ু হায়বা

(4) নংনা পারুবা শৈরেংদুগী অইবগী মমিং হায়বা

www.careerindia.com

CAREERINDIA



**Part – V / ভাগ – V**
**Language – II / ভাষা – II**
**MANIPURI / মণিপুরী**

কেন্দিদেতশিংনা **Language-II মণিপুরী (Manipuri)** লৌরবদি **পার্ট-V (Part-V)** দগী ৰাহং **(121-150)** ফাওবগী ৰাহংশিংগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

**মখাদা পীরিবা ৰারেং অসি পারগা মখাদা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু। ৰাহং** (121-128)

মণিপুর মহৌশাগী নীংথীরবা খূৎশেম্না লৈতেংলবা লমদমনি। মণিপুরগী ফজবা উবদা মীরৈবাক্কী মীশিংনা মণিপুর অসি লাইরৈবাক মচা অমনি হায়রম্মি। চীংগা তম্পাক্কা পূল্লগা ফজরবা মণিপুর ওইরিবনি। শংবান্নবা চীংশাং পরেং-পরেংনা তম্পাক লমবু ইকোয় কোয়শীল্লি।

মণিপুরগী চীংশাং পরেংশিংদা চাউর-চাউরবা উপাল কয়া হৌরি। চাউরবা উপালশিংগী ফৈরাথক্তা নীংথীরবা উরৈশিংনা মণি-মুক্তা থাম্বগুম ফূগাইনা শাৎলি। খোঙ্গুনমেলৈ, শমজীরৈ, ক্বাক্লৈনচিংবা মচু মখল মখলগী উরৈশিংনা শাৎপা উবদা পূক্নীং শুঙ্কত্ত্ববা মী লৈরোই। কৌব্রু চীং, নোংমাইজীং, থাঙজীং চীং মণিপুরগী লাইফম ওইবা চীংজাওশিংনি। মাও, উখ্রুল, তমেংলোং, তেংনৌপল অমসুং চুরাচান্দপুর মমিং চৎপা মণিপুরগী চীংদা লৈবা মফমশিংনি। মণিপুরগী চীংশিং অসি ঈশিং-নুংশিৎ য়াম্না শেংবা, লৈবদা হকচাং ফবা মফমশিংনি। উরৈখক্তা নত্তনা, ফজরবা লৈ মখল-মখা কয়া কয়াসু চীংমায়শিংদা শাৎলি।

চীংশিংনা ইকোয় কোয়শীল্লগা ময়ায়দা তম্পাক লৈ। মণিপুরগী তম্পাক্তা পীকতক পীকতকপা তুরেলশিং চেল্লি। অচৌবা তুরেল চেন্দে। তুরেলশিং অসি চীংদগী চেন্থরকপনি। ইম্ফাল তুরেল, নম্বুল তুরেল অমসুং ইরিল তুরেল মৰুওহবা তুরেলশিংনি। মণিপুরগী তুরেল অয়াম্বা লোক্তাক পাত্তা তাই।

মণিপুরগী লোক্তাক পাৎ য়াম্না ফজবা অমসুং মৰুওইবা পাৎনি। লোক্তাক্কী ফজবা য়েংনীংবদগী মীরৈবাক্কী মীশিংনা মণিপুরদা লাকই। লোক্তাক পাৎকী ঈশিং ঈয়াইদা য়ুম মচা মচাশিং তাউদুনা লৈ। য়ুম মচাশিং অসি ফূম মথক্তা শাবনি। ফূম হায়বসি পৎথরকপা নাপীশিংনা মরোল মরোল লোনশিন্নদুনা কনশিনখ্রগা ওইরকপনি। ফূমশিং অসি লোক্তাক্কী ঈশিংদা তাউদুনা লৈ। নুমিদাংৰাইরম অমসুং অয়ুক্তা লোক্তাক পাৎকী ফজবদি মপা লৈতে।

ফজবতা নত্তনা লোক্তাক পাৎনা মী কয়াগী হিংননবা পাম্বৈ ওইনরি। লোক্তাক পাৎতা ঙা য়াম্না মরাঙ কায়না লৈ। লোক্তাকতগী ঙা ফারগা কৈথেন্দা য়োল্লি। লোক্তাকতা হৈককসু য়াম্না হৌই। মীশিংনা হিদা তোংলগা ঙা ফায়, হৈককসু হেকই। হিথক্তা তোংলগা লোক্তাক্তা ঈল চিংদুনা ঙা ফাবা অরায়বা থবক নত্তে। লোক্তাক্কী অকোয়বদা ঙা ফাবা হৈবা মী য়াম্না লৈ। মোইরাং, নিংথৌখোং, ফুবালা, লমাংদোং অমসুং ময়াং ইম্ফাল লোক্তাক্কী অকোয়বদা তাবা মৰুওইবা খুঙ্গংশিংনি। লোক্তাক ময়ায়দা থাঙ্গা অমসুং কারাং কৌবা খুঙ্গং অনী লৈ।

www.careerindia.com

CAREERINDIA



**121.** মণিপুরগী ফজবা উবদা মীরেবাক্কী মীশিংনা লমদম অসিবু করি হায়না শৈমারেম্বগে ?

(1) মহৌশাগী ফজবা মফমনি।

(2) লাইরেবাক মচা অমনি।

(3) অকি অখংনা থল্লবা মফমনি।

(4) চিং ঙাক্তা লৈবা লমদম অমনি।

**122.** মণিপুরগী ফজবা করম্না শেল্লিবনো ?

(1) চীংগা তম্পাক্কা পুল্লগা।

(2) মহৌশাগা খুৎশেমগা পুল্লগা।

(3) মান্নাবো জাতী ময়াম্না পুল্লগা।

(4) লোক্তাক পাৎনা মীংশেল ওইবগা।

**123.** মীরৈবাক্কী মীশিংনা মণিপুরদা লাকইবগী মরম করিনো ?

(1) মণিপুরী জগোই য়েংনিংবদগী।

(2) ইমা কৈথেল য়েংনিংবদগী।

(3) লোক্তাক পাৎ য়েংনিংবদগী।

(4) মহৌশাগী ফজবা য়েংনিংবদগী।

**124.** পৎথরবা নাপীশিংনা মরোল মরোল লোনশিন্নাদুনা কনশিনখ্রগা করি ওইরকপগে ?

(1) কফুত

(2) হার

(3) তিঙ্গোয়

(4) ফুম

**125.** অহাংবসি মেনশিল্লু

লোক্তাক পাৎনা _____ হিংননবা পাম্বৈ ওইরি।

(1) মী কয়াগী

(2) শেল তানবা কয়াগী

(3) ঙা ফাবা কয়াগী

(4) লাইরবশিংগী

**126.** মণিপুরগী চীংদা লৈবা মফমশিংগী ঈশিং নুংশিৎ করম তৌবগে ?

(1) স্বর হোনবদা ৱায়।

(2) য়াম্না শেংই।

(3) উফুলগী শৰুকনা হেল্লি।

(4) ইংবনা লৈবদা ৱায়।

**127.** 'য়ুমমচাশিং অসি ফুম মথক্তা শাবনি' পীরিবা ৱাহৈ পরেং অসিদা নাউন কয়া য়াওবগে ?

(1) অমা য়াওই।

(2) অনি য়াওই।

(3) অহুম য়াওই।

(4) মরী য়াওই।

**128.** মহৌশাগী নীংথিরবা খুৎশেম্না লৈতেংলবা লমদমনি হায়রিবসি করি লমনো ?

(1) শিলং

(2) সিক্কিম

(3) মণিপুর

(4) দার্জিলিং

www.careerindia.com

CAREERINDIA



**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু। ৱাহং (129-135)**

সারা কানাডাগী সহর টোরোন্টাদা জুলাই ২১, ইংশোক ১৯৭১ দা পোকখি। মথক্তা জেরেমি কৌবা মবুং অমগা, মখাদা জুলিয়া কৌবা মনাওনুপী অমগা লৈ। মমা জানিস রাপোপোর্ট কবিনি, মপা ডেভিড সিগরনা ডোক্তরনি। মপানা সারাদা এষ্ট্রোনোমিদি পৈশা থোকপা ৱাগনি, অদুনা থবক ফংবা হেন্না লায়গদবা, উনশাগী ডোক্টর ওইয়ু হায়রম্মী। অদুবু সারাদি এষ্ট্রোনোমর ওইগে হায়বগী অচেৎপা ফিরেপ লৌরে। সিগরগুম্বা কয়াগী লমজিং মখাদা মীওইবা ঐখোয়না থিরিবনি, তাল্লবা গেলেক্সিশিংগী মরক্তা মরুপলোই অমা, মপাং অমা। ঐখোয়না কৌরিবসিবু মখোয় নোংমদি তারকখিগদ্রা ? মপানা শিরমদাইদা সারাদা হায়রম্মি, *"নংনা তৌবা খুদিং নংগী ৱায়দগী ফবা থবক্তি হায়না খল্লবা, মদু ঐদি পামদে। নশাগী হন্থবা ৱাখলনা নংবু বন্দি ওইহন্নিংদে।"*

ঙাইহাক্তং কাওথোক্কুনা, অয়াম্বা মীওইনা মীৎকুপ অমত্তংদি বিজ্ঞানগী তাইবংদা ঙাওবা য়াই। পাক-চাওখ্রবা শুন্দ্রং'সিদা অতৈ করম্বা মফমদা অহিংবা জীব লৈরম্বা য়াই ? মসিদা মপুং ওইনা লাইনিং ওইরিবা সাইন্টিষ্টশিংগী মরক্তা অমনি সারা সিগর।

হৌজিক ফাওবদা সাইন্টিষ্টশিংনা এক্সোপ্লানেট ৭৫০ রোম পুথোকখ্রে। কেপ্লর মিসননা **'কেন্দিডেট প্লানেট'** ২,৩০০ রোমসু হাপচিনখ্রে। খ্বাইদগী নকপা এক্সোপ্লানেটসি অৗতগী কয়াম লাপ্লি ? লাইত ইয়ার ২২ রোম লাপ্লি (হায়বদি মঙালনা মফমদুদগী পৃথিবী য়ৌবদা চহি ২২ রোম চংগনি)। কয়াদা ঙকখ্রবা ! মীওইবগী টেক্নোলোজিনা হৌজিক্কী ওইনদি এক্সোপ্লানেটশিংসি য়ৌনা চৎপগী মঙ ফাওবা মঙবা ওইথোক্ত্রি। সারানা য়ুনিভর্সিটি ওফ টোরোন্টোদগী ইংশোক ১৯৯৪ দা বিএসসি ডিগ্রী লৌরে। মপুং ওইনা মহাক্না তমখিবসি ফিজিক্স অমদি অঙ্কনি। মথংদা হার্বার্ড য়ুনিভর্সিটিদগী, এষ্ট্রোনোমিগী লমদা কুপ্পা থিজিনখোমজিন্দুনা, পিঐচডি ডিগ্রী (ইংশোক ১৯৯৯) লৌখি। মহাক্কী বিজ্ঞানগী খুদোলশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী অথোইবদি ড্রেক ইক্বেসন শেমদোক্তুনা সিগর ইক্বেসন (Seager Equation) হৌদোকখিবসিনি।

**129. সারা সিগরগী মপা ডেভিড সিগরনা মচানুপীবু করি ওইহনবা পামখিবগে ?**

(1) এষ্ট্রোনোমর

(2) মীওইবগী ডোক্তর

(3) য়াগী ডোক্তর

(4) উনশাগী ডোক্তর

CAREERINDIA



130. 'নঙনা খোইদাজবা অমদি হৈনবা হিরম অমা খঙদোকউ .... এষ্ট্রোনোমর ওইগে হায়রবদি অঙ্ক অমদি ফিজিক্স হৈবা তাই .... মাইথিবগী কিগনু।'

কনানা হায়রম্বা ৱাহেশিংনো ?

(1) সারা সিগর

(2) ষ্টেফানি ক্লোলেক

(3) মোড মেন্টেন

(4) সিন্থিয়া ব্রাজিল

131. পাক চাওখ্রবা শুন্দ্রংশিদা করম্বা মফমদা অহিংবা জীব লৈরম্বা য়াই হায়না লাইনিং ওইরিবা সাইন্টিস অদু কনানো ?

(1) সুভ্রাসুরেস

(2) কেরোলি পোকা

(3) সারা সিগর

(4) সকিরা ফুজিসিমা

132. 'সারা নঙ উনশাগী ডোক্তর ওইয়ু।' করি সেন্তেসনো ?

(1) সিম্পল সেন্তেন্স (Simple Sentence)

(2) ইম্পরেটিভ সেন্তেন্স (Imperative Sentence)

(3) ওপটেতিভ সেন্তেন্স (Optative Sentence)

(4) এক্সক্লেমেটরি সেন্তেন্স (Exclamatory Sentence)

133. সারা সিগরগী বিজ্ঞানগী খুদোললিংগী মরক্তা খ্বাইদগী অথোইবসি করিনো ?

(1) ড্রেক ইক্বেসন শেমদোক্তুনা সিগর ইক্বেসন হৌদোকখিবসিনি।

(2) কেন্দিডেট প্লানেট ২,৩০০ রোম হাপচিনবসিনি।

(3) রেদ জুপিটরদা সোডিয়ম গ্যাস লৈগনি হায়না প্রিডিক্ট তৌবা

(4) মোনোসাইত পুথোকখিবসিনি

134. 'প্লানেট' ৱাহে অসিদা সিলেবল কয়া যাওবগে ?

(1) অমা

(2) অনি

(3) অহুম

(4) মরী

135. সারা সিগর মফম কদায়দা পোকখিবগে ?

(1) চিনাদা

(2) অমেরিকাদা

(3) কানাদাদা

(4) রুশিয়াদা

www.careerindia.com

CAREERINDIA



**141. ক্লাস টুগী মহৈরোই খরনা খোনথোক খরা (Phonemes) হায়বদা অৰাবা মাইয়োকনৈ। মখাদা পিরিবা পোরমশিং সিদগী মখোয়গী অৰাবা কোক্লবা হোৎনবদা মাইপাক্কদগে ?**

(1) মীগী চিনগী মোদেল অমা শিজিন্নরগা মহাক্না খোনথোক্তুগী থোরকফমদু হায়রগা তাক্কনি।

(2) মহাক্না মিনিমেল পেয়র শিজিন্নদুনা মহৈরোইশিংবু হায়হনলগা ৰাহৈদুদগী খোনথোকতুবু খংদোক্লবা হোৎনগদবনি।

(3) লাউনা পাবা অমসুং খোনথোক্তু শিজিন্নবা তাকপদনি।

(4) হনজি-হনজিন হায়দুনা ঔরাইরগা অরুবা খোনথোক্তু খংনবা হোৎনগদবনি।

**142. খুদমগা লোইননা গ্রামার অতমননা তম্বীবগী মত্তংসি**

(1) ইন্দক্তিভ মেথদনি।

(2) দিদক্তিভ মেথদনি।

(3) গ্রামার ত্রান্সলেস মেথদনি।

(4) দাইরেক্ত মেথদনি।

**143. মহৈরোই অমনা লোন তমলকপসি**

(1) লোন ঙাংবা ময়ামদগী লোন্দু ঙাংদুনা শিজিন্নরগনি।

(2) লোনগী কয়াৎ নৈনরগনি।

(3) লোন্দুগী সাহিত্য পারগানি।

(4) লোন ঙাংলিবা মীশিংদুগী চৎনবী নাৎ পারগনি।

**144. খুৎ-শা ফজনা শিজিন্নবা হৈহনবগী খুদমদু মখাগী শিংসিদগী করম্বনো ?**

(1) চিংকাবা

(2) চোংবা

(3) ইবা

(4) পাবা

**145. মখাগী শিংসিদগী করম্বা ৰাহংনা ওজানা হংলগা লোন ময়াম ঙাংবা ক্লাসরুম ওইবা হেনগৎহনবগে ?**

(1) বোল অমনা কয়াম ৰাংনা পায়বা ঙম্বগে ?

(2) নখোয়গী লোন্দা ইনশাং নাপীগী মমিং ইয়ু হায়বা

(3) নংগী য়ুমদা য়োকপাশা লৈব্রা ?

(4) নং চিঠী ইশ্রব্রা ?

www.careerindia.com

CAREERINDIA



146. মখাগী ক্লাসতা তম্বীবদা rhymes শিজিন্নদগবনি মরমবদি

(1) মহৈরোইশিংদা তমলিবা (target) লোন ঙাংনবগী তানজা পী।

(2) মহৈরোইশিংদু লমচৎ শাজৎ ঙাকহনলি।

(3) তমলিবা লোন্দুগী গ্রামার তম্বদা মতেং পাংই।

(4) অৰুবা ৱাহৈশিং অমদি ৱাহৈপরেং শেম্বদা মহৈরোইশিংদা মতেং পাংই।

147. তাননবগী পাবা অমা ওজানা লৌখৎলি। মসিদা মহাক্না ব্রেনস্টোমিংগী থৌশিল অমা লৌখৎলগা মহৈরোইশিংদা মনুং-হুৎনা ৱাহংশিং হংলগা মখোয়গী অপাম্বা অমসুং খন্ন নৈন্নবগী ৱাখল ৱাংখৎনবা হোৎনৈ। অসুম হায়না শেম-শাবগী মত্তংসি

(1) Pre-listening থৌশিলশিংনি।

(2) তারিবা মনুংদা তৌবা থৌশিলশিংনি।

(3) Post-Listening থৌশিলশিংনি।

(4) মখাতানা তৌরকপা তাবগী থৌশিলশিংনি।

148. মখাগীশিংসিদগী লোনগী ক্লাসতা অয়েকপা লাইশিং / পোস্টরশিং শিজিন্নবদা করম্বনা চুমদবগে ?

(1) অয়েকপা লাইশিংদু য়েংশিন্নবা তানজা অঙাংশিংদা পিবনি।

(2) অয়েকপা লাইশিংদুদা য়েংলগা অঙাংশিংনা ফোংদোকপগী অমসুং ইবগী তানজা পিবনি।

(3) ক্লাসতা অঙাংশিংদুগী ৱাখলননা শাগৎপা ঙম্নবগী মফম অমা পিবনি।

(4) তাবগী হৈশিংবা হেনগৎহন্নবা তানজা পিবনি।

149. পাবা ইবা হেক খংলকপা মতমদা ইবগী মখাদা লাকলিবসি

(1) ময়েক ইবা হৈরকপা

(2) ৱাহৈ ইরকপা

(3) ৱাহৈপরেং ইরকপা

(4) লাই য়েকপা

150. মহৈরোইশিংনা লোনশিজিন্নবা খংনবদা মখাগীশিংসিদগী করম্বনা খ্বাইদগী মৰু ওইবগে ?

(1) চেক লিস্ট

(2) রেটিং স্কেল

(3) পোর্টফোলিও

(4) তোৎন-তিন্নবা (interaction)

www.careerindia.com

